# ইম্ফাল এয়ারপোর্ট দ্রগ করবার তৌবশিংগী লম্বী ওঙ্হোক্লে লুপা ক্রোর কয়াগী ইফিড্রিন অমুকসু ফারে, অঙম-অথৌশিং চেন্নরমগদ্রা চিংনরি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুলাই ২০ঃ ভারতকী অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মণিপুর দ্রগ ললোনবা করবারৱালাশিংগী মকোল ওইরকপদা নত্তনা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট দ্রগ ললোনবশিংগী লম্বী ওঙ্হোকপা হৌরে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর কয়াগী ভেল্যু ওইবা ইফিড্রিন কয়া তোয়না ফারক্লে। এয়ারপোর্টতগী ফারিবা ইফিড্রিন খুদিংমক্কী মপুশিং হৌজিক ফাওবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা ঙমদ্রি। লৈবাকসিগী কোনুং নিউ দিল্লিদা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টশিংদগী হাপ্লকপা ইফিড্রিনশিংগী মপু হৌজিক ফাওবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা ঙমদ্রিবসিনা তাকপদি হায়রিবা দ্রগ ললোনবা গেং খুৎপুশিংগী মরক্তা অঙম-অথৌশিং য়াওরৱ্রা হায়বগী চিংনবা চাওনা লৈরে।

পনবা য়াবদি হায়রিবা এয়ারপোর্টঅসিদা ফত্তবা করবার তৌবা, হুরান-চিন্থিগী থবক তৌবা অমসুং লালহৌবগা মরী লৈনবা মীওইশিং চৎথোক-চৎশিন তৌৱ্রা হায়বদু মুন্না চেক তৌননবগীদমক্তা সিআইএসএফ, বোর্দর এফিয়ার্স, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী নাকোর্টিক্স সেল কাংবু, কষ্টম অমসুং ইন্টলিজেন্সকী কাংবু য়াওনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং য়াওনা য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা লৈরিবনি।

লমদসিগী লৈমায়দগী তুংগী তিঞ্জং-কায়জংদবা মীরোল অমগীদমক ময়াই কারবা 'হূ' গা পাঞ্জক ওইরবা নিষাগী পোৎলমশিং মরু ফংনা মাংহন্নবা হোৎনরিঙৈ চৈরকসিদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈবাক অসিগী কোনুংদগী ময়াই কাবা মখলগী গুলীশিং নোংথক লম্বীদা লেপ্পা লৈতনা হোঞ্জিল্লক্লিবা অসিনা অকিবগী মশক ফংলবা 'মশক লোৎপা' অচৌবা দ্রগ লল্লোনবা খূৎপু অমা বাবুপাড়াদা লৈরৱ্রা হায়বগী চিংনবা পোক্লরে হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মমাংদা ফাগৎখিবা লুপা ক্রোর কয়াগী তেব্লেটশিং অদুগী মরি-মখোং পুথোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মরকসিদা ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী **এস আই য়ু** (স্পিসিয়েল ইন্তলিজেন্স য়ুনিত) না লৈবাক অসিগী কোনুং দিল্লিদগী **এয়ার ইন্দিয়া** গী কার্গোদা পুশিল্লকপা **সিওদোইফিড্রিন** মখলগী য়াম্লবা তেব্লেটশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, শগোলশেল নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবদা ইম্ফাল তুলিহল এয়াপোর্টতা দিল্লিদগী পাইরকপা এয়ার ইন্দিয়াগী কার্গো ফ্লাইট নম্বর-৮৮৯ দা য়াম্লবা তেব্লেটশিং অদু পুশিল্লকখিবনি।

এয়ার ইন্দিয়া কার্গোগী কোন্সাইনমেন্ট নম্বর-০৪৩০৩৯৪৬ তা বোড়া মরিদা য়াম্লবা তেব্লেটশিং অদু পুশিল্লকখিবনি।

তেব্লেটশিং অসিগী শিপ্পরস (থারকপা) অসি **পৱান লোজিষ্টিক, নিয়ু দিল্লি** নি। অদুগা মসিগী কোন্সাইন্নি (ফংগদবা) অদুনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়োক্লবা বাবুপাড়া শোপ নম্বর-৬৩ দা লৈবা রমেশ চৌধারিনি। অদুবু ইম্ফালগী বাবুপাড়াদা হায়রিবা মীওই অসি এস আই য়ুনা অহানবগী ওইনা থিগৎপদা ফংখিদ্রে। মসিমক্না ময়াই কারবা তেব্লেটশিং অসিবু কার্বার তৌরিবা দ্রগ লল্লোবশিং অদুনা হে-শিংনা 'কোড নেম' শিজিন্নদুনা তেব্লেটশিং অসি পুশিল্লকখিবা ওইরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈরি।

দিল্লিদগী ইম্ফালদা থুংলকখিবা ফ্লাইট অদুদা য়াম্লবা তেব্লেটশিং পুশিল্লকখ্রে হায়বগী অকক্নবা পাউঅমা ফংবদগী এস আই য়ু গী ওফিসার-ইন-চার্জ সব-ইন্সপেক্টর কাংজম রঞ্জিৎনা লুচিংবা তিমনা এয়ারপোর্টতা ঙাইরগা লৈখি। অদুবু ইন্টলিজেন্স য়ুনিটকী কাংবু অদুনা শেন্নরগা লৈবদু উবদগী লোন্না পাউ পীনখিদুনা কার্গোদা পুশিল্লক্লিবা তেব্লেটশিং অদুগী মপু এয়ারপোর্টতা থোরকখিদে।

এস আই য়ুগী তিম অদুনা কার্গোদা পুশিল্লকপা পোৎ অদু শেন্নরগা লৈরিঙৈ এয়ার ইন্দিয়াগী বস ডিসিএম তোয়োতো (এমএন ০১-০১৩০) দা হাপকৎলগা ইম্ফালগী এমজি এভেন্যুদা লৈবা মখোয়গী ষ্টেসন তম্না পুখি। তিম অদুনা বস অদুগী মতুং ইন্নদুনা ষ্টেসন তম্না লাকখি। অদুবু ষ্টেসন অদুদসু কানাগুম্বা অমত্তনা পোৎ অদুবু লৌবা লাক্তবদগী তেব্লেট থন্না য়াওবা বোড়াশিং অদু লেংদনা থম্নবা খংহল্লমখি।

"তেব্লেটশিং অসি শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতগী ঙরাং খুদক্তা ফাগৎপা য়াই। অদুমসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপা পান্দ্রদগী খোঙ্গুল লিবনি, লাইবকথিবদি কনাগুম্বা অমত্তনা পোৎশিং অদুগী মপু ওইনা থোরকখিদ্রে" হায়না ঙসি অয়ুক এয়ার ইন্দিয়াগী ষ্টেসন অদুদা তেব্লেটশিং অদুবু ওফিসিয়েল ওইনা সিজ তৌখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিত অসিগী সব-ইন্সপেক্টর কেরঞ্জিৎনা ফোংদোক্লি।

এস আই য়ুনা এয়ার ইন্দিয়া ইম্ফালগী ষ্টেসন মেনেজরদা কোন্সাইনমেন্ট নম্বর ০৪৩০৩৯৪৬ তা থারক্লিবা বোড়া মরি অদু চিংনবদগী হাংদোক্তুনা য়েংনবা হায়রবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা নিংথিনা পেক্কিং তৌশিল্লবা বোড়াশিং অদু থুগাইখি।

ময়াই কারবা মখলগী ট্রিপ্রোলিদিন এন্দ সিওদোইফিড্রিন হায়না থাবা প্লাস্তিক কন্তেনর (কৌতা) থন্না য়াওবা বোড়া অমা অমসুং অতোপ্পা বোড়া অহুমদনা **মুকোসোন** তেব্লেট ষ্ট্রিপস থন্না য়াওরমখি।

সিল্ড তৌরবা প্লাস্তিক কন্তেনর অদু থুগাইদুনা য়েংবদা **সিওদোইফিড্রিন** টেব্লেট ১০০০ প্লস্তিক পেক্কিং তৌদুনা হাপ্লমখি। তেব্লেট ১০০০ য়াওবা কৌতা অদুগী এম আর পি ( মেক্সিমম রিটেল প্রাইস) না লুপা ২১৫০ নি। তেব্লেট অসি 'প্রোফেড' হায়নসু খঙনৈ। বোড়া অদুদগী ফংখিবা অপুনবা কৌতা মশিংনা ২২০নি। এম আর পিগী মতুং ইন্না মসিগী অপুনবা মমল অসি লুপা ৪,৭৩,০০০ নি। বোড়া অহুমদা থন্না হাপ্লম্বা মুকোসোন অপুনবা ষ্ট্রিপস মশিংনা ২৯,৯১৫ নি। ষ্ট্রিপস অমদা তেব্লেট ১০ নি। মসিগী এম আর পিনা লুপা ৯ নি। অপুনবা মুকোসোন তেব্লেট অসিগী মমল এম আর পিদা পাবদা লুপা ২,৬৯,২৩৫ নি। তেব্লেট অনি অসিগী এম আর পিদা পাবদা লোকেল মার্কেটতা পুন্না লুপা ৭,৪২,২৩৫নি। অদুবু মালেমগী কৈথেলগী মমলদা পাবদা মসিগী অপুনবা মমল অসি ক্রোর রোমদা ওইগনি হায়রি।

এস আই য়ুগী সব-ইন্সপেক্টর আর কে মিরন্দা দেবীনা ফাগৎলবা তেব্লেটশিং অদু নার্কোটিক দ্রগস ডিটেক্সন কিটকী মতেংনা টেষ্ট তৌদুনা কম্পোজিসনশিং অদু খঙদোকখি।

"টেষ্টকী রিজল্টকী মতুং মুকোসোন তেব্লেট অসিদসু সিওদোইফিড্রিন অমদি মিঠাক্কালোন য়াওই" হায়না সব-ইন্সপেক্টর অসিনা ফোংদোরক্লি।

মপুং ওইনা অসিগুম্বা ইফিড্রিন তেব্লেটশিং অসি বোর্ডর টাউন মোরে ফাওরগা ম্যান্মররোমদা পুশিনখ্রগা মসিদগী ময়াই কাবা মখলগী হিরোইন য়াওনা ময়াই কাবা দ্রগস মখলশিং অমুকশুংদোকপদা শিজিন্নৈ হায়রি।

এস আই য়ুনা ফাগৎলবা তেব্লেটশিং সিতি পুলিস ষ্টেসনদা মখা তবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক শিন্নখ্রে পুলিস ষ্টেসন অসিনসু এফআইআর অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।